## ৱারোইশিন পুরক্লবা আপিল তৌখ্রে

বেঙ্কোক, নবেম্বর ০৩ (এজেন্সি) :
অসিঅন লৈবাক ১০ অমসুং মখোয়গী ট্রেদিং পাটনর ৬কী মরক্তা মল্টিলেটরেল এগ্রীমেন্ট অমা পুরকপগী ৱাফমদা চিংনবা কয়া লৈরিঙৈগী চৈরক্তা মেগা-ফ্রী-ট্রেদ পেক্ট অমগী মতাংদা ৱারী শান্নবগী থবক য়ারিমখৈ থুনা লোইশিন্নবা চাইনাগী প্রাইম মিনিষ্টর লি কেকিয়াংনা নোংমাইজিং নুমিত্তা মরী লৈনবশিংদা আপিল তৌখ্রে।
চহীগী ওইবা অসিঅন সম্মিটকী নাকোয়ননা ব্লোক অসিগা চাইনাগগী মরক্তা পাঙথোকপা বাইলেটরেল মীফম অমা হৌরকপদা ৱা ঙাঙলদুনা লিনা ৱাফম অসি ফোংদোকখিবনি।

## ইনভেষ্ট তৌনবা আপিল তৌখ্রে

বেঙ্কোক, নবেম্বর ০৩ (এজেন্সি) :
ইন্দিয়ানা রুটিন অমদি ব্যুরোক্রেটিক ওইবা মওংদা থবক তৌবগী থৌওংশিং থাদোক্লে হায়না ফোঙদোকপগা লোয়ননা প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিনা থাইলেন্দগী ওন্ত্রপ্রনরশিংদা ইন্দিয়াদা ইনভেষ্ট তৌনবা আপিল তৌখ্রে।

# সিরিয়াগী টাউনদা বোম পোকখায়খিবগী মতাংদা টর্কিনা কর্দিস মিলিস্যাদা মরাল শীখ্রে



ইষ্টানবুল, নবেম্বর ০৩ (এজেন্সি) :
টর্কিনা শৌগৎপা ফোর্সশিংনা হৌখিবা থাদা পায়শিনখিবা সিরিয়াগী বোর্দর টাউনদা লৈবা মার্কেট অমদা থাংজ নুমিত্তা থোকখিবা মীওই ১০ হেন্না শিখিবা অমসুং অতৈ ৩০ না অশোক-অপন নংখিবা কার বোম অমা পোকখায়খিবগী থৌদোক্কী মতাংদা অঙ্কারানা কর্দিস ৱাই পি জি মিলিস্যাদা মরাল শীখ্রে।
মিলিস্যা অসিদা টার্গেট তৌদুনা অঙ্কারানা হৌখিবা থাদা সিরিয়াগী অৱাং নোংপোক লমদমদা মিলিটরি কেম্প্যেন অমা হৌখিবনি। সিরিয়ন ওবজার্ভেটরি ফোর হ্যুমেন রাইটসনা ফোঙদোকখিবদা, সিরিয়াগী বোর্দর টাউন টেল অবয়েদতা থোকখিবা কার বোম পোকখায়বগী থৌদোক অদুদা শিখিবশিংগী মনুংদা প্রো-টর্কি ফাইটরশিং অমসুং মীচম কয়া য়াওখি। কার বোম এটেক অদুদা মীওই ১৩ শিখ্রে হায়না টর্কিগী ষ্টেটনা চল্লাইবা এনাদোলু এজেন্সিনা ফোঙদোকখি।
টেল অবয়েদ অসি অঙ্কারানা ওক্তোবর ৯ দা সিরিয়ন কর্দিস ৱাই পি জিগী মায়োক্তা মিলিটরি কেম্প্যেন অমা হৌখিবদা খ্বাইদগী কন্না লান শোকনখিবা মরু ওইবা বোর্দর টাউন অনীগী মনুংদা অমনি।
ইস্লামিক ষ্টেটকী মায়োক্তা চঙশিনখিবা লাঞ্চংদা ৱাই পি জিনা চহী কয়ামুক য়ুনাইটেদ ষ্টেটসকা মীচং ওইনখিবনি।
থাংজ নুমিৎকী কার বোম এটেক অদু সিরিয়াগী অৱাং নোংপোক থংবা লমদমদা চয়োল অনী ঈংনা চিক্লা লৈরুরবা মতুং অমসুং টর্কি অমদি রসিয়াগী ট্রুপশিংনা লৈবাক অনীগী মরক্তা পুরকখিবা টর্কিগী বোর্দরদগী ৱাই পি জি হন্দোকহনখিনবগী দিল অমগী মখাদা পুন্না গ্রাউন্দ পেট্রোল পাঙথোকমিন্নবা হৌখিবা নোংমখক কান্নরগা চথুরকখিবনি। বোর্দরদগী ৱাই পি জি মিলিস্যা হন্দোকখ্রে হায়না মোস্কোনা ফোঙদোরকচরবসু অঙ্কারানদি ৱাফম অসিদা থাজদ্রিবনি।

# চাইনানা অসিঅনগা থবক তৌমিন্ননবা শেম-শারে



বেঙ্কোক, নবেম্বর ০৩(এজেন্সি) :
সাউথ চাইনা সীদা তুং কোইনা মরা তপ্পা অমদি তং তাবা ফিভম লৈহন্নবগীদমক্তা চাইনানা সাউথ ইষ্ট এসিয়াগী লৈবাকশিংগা খুৎশম্ননা থবক তৌমিন্ননবা শেম-শারে হায়না চাইনাগী প্রেমিয়র লি কেকিয়াংনা নোংমাইজিং নুমিত্তা অসিঅনগী লিদরশিংনা উনদুনা ৱারী শান্নরবা মতুংদা ফোঙদোকখ্রে।
চাইনানা সাউথ চাইনা সীদা তৌরিবা মরিটাইম ক্লেমশিং কম্মর্সিএল ভেসেলশিংগী মথৌ চিল্লবা ৱাটররে অদুদা বৈজিংগা ফংজিন্ননা ক্লেম কয়া তৌরিবা অসিঅনগী মেম্বর কয়ানা য়াদ্রিবনি।
বেঙ্কোক্কী সম্মিট অদুদা লিনা চহী অহুমগী মনুংদা মপুং ফানা লোইশিনবগী ফিভমদা লৈরবা মতম শাংনা ঙাইদুনা লাক্লবা সাউথ চাইনা সী কোদ ওফ কন্দক্টকী প্রোগ্রেসকী মতাংদা পনখি। চহী অহুমগী ওইবা টাইম টেবল অমগী মতুং ইন্না ঐখোয়না য়ানবা অমগী মখাদা সাউথ চাইনা সীদা তুং কোইনা মরা তপ্পা অমসুং তং তাবা ফিভম লৈহন্নবগীদমক্তা অসিঅনগা থবক তৌমিন্নবগী ৱাফম য়ানিংই হায়না লিগী ষ্টেটমেন্ট অমনা হায়খি।
চাইনানা লৈবাক কয়াগী সোভরেন রাইটশিং থৌশাদবা অমদি য়েৎনরিবা মফমদা ইনর্জি এক্সপ্লোরেসন অমসুং ফিসিংগী থবকশিং চথুরিবশিং য়েংদুনা অসিঅনগী মেম্বরশিংনা লোগী মীৎয়েংদা য়াবা কোদ অমা পুথোক্লবা হোৎনরকখিবনি।

# ইরাক্কী প্রোটেষ্টরশিংনা মরু ওইবা লম্বী কয়া থিংজিনখ্রে, মপান্দগী খুৎ থিংজিল্লকপা লেপ্নবা দিমান্দ তৌখ্রে



বাঘদাদ, নবেম্বর ০৩ (এজেন্সি) :
ইরাকি লিশিং কয়ানা কেপিটেল বাঘদাদদা গভর্নমেন্টকী মায়োক্তা প্রোটেষ্ট তৌদুনা পুনখ্রে অমদি মরু ওইবা হিথাংফম অমা তাবা লম্বীশিং থিংখিবগা লোয়ননা থাংজ নুমিত্তা কেপিটেল বাঘদাদতা সিক্যুরিটি ফোর্সশিংনা নোংমৈ কাপ্পদা প্রোটেষ্টর অমা শিখ্রে অমসুং অতৈ ৯১না অশোক-অপন নংখ্রে হায়না গভর্নমেন্ট ওফিসলশিংনা ফোঙদোকখ্রে।
সদাম হুশেন তুখিবা খ্বাইদগী চাওবা মীয়ামগী দেমোনষ্ট্রেসন ওইনা পোলিটিকেল এলিট মফম থাদোক্লবা দিমান্দ তৌরদুনা প্রোটেষ্টরশিংনা চয়োল কয়ামুক কেপিটেলগী সেন্ট্রেল টহরির স্কৱারদা লাকখিবনি। তোঙান তোঙানবা কাঙলুপ কয়াগী মীওইশিং য়াওশিন্নখিবগা লোয়ননা হৌখিবা নুমিৎ খরনি অসিদা প্রোটেষ্টশিং অদু কনখৎলকখিবনি।
শেল-থুমগী অৱাবা ফিভম অমসুং পাক্তক্লনা চথুরিবা করপসনগী থৌওংশিংদা পেন্দবনা মরম ওইরগা চথুরকখিবা প্রোটেষ্টশিং অদুনা ইরাক্তা চহী অনীরোম উবা ফংখিবা তং তাবা ফিভম থুগায়খি। প্রোটেষ্টর কয়ানা ইরাক্কী পোলিটিকেল ক্লাসপু বাঘদাদকী মরু ওইবা মীচংশিং ওইরিবা য়ুনাইটেদ ষ্টেটস অমসুং ইরানগী ইথিলদা থবক তৌদুনা লৈ হায়না লৌনরিবনি।
মতম কয়াগী মমাংদগী হৌনা য়ুনাইটেদ ষ্টেটস নৎত্রগা ইরান্না ইরাকপু রিজনেল ষ্ট্রগলদা ইথিল চাওনা পীবা ঙম্নবা প্রোক্সি অমা ওইনা শীজিন্নদুনা লাকখি। সাউদি অরাবিয়া ওইরবসু, টর্কি নৎত্রগা ইরান ওইরবসু নৎত্রগা অমেরিকা ওইরবসু ঐখোয়না ইরাক্কী থবক থৌরম খুদিংমক্তা খুৎ থিংজিল্লকপা অমত্তা পামদে। ঐখোয়গী লৈবাক অসিদা ঐখোয়না তৌজরিবা দিমান্দশিং অসি ময়েক শেংনা থম্লবনি হায়না অহমদ অবু মরিয়ম কৌবা প্রোটেষ্টর অমনা রোইটর্সতা ফোঙদোকখি।
গভর্নমেন্টকী মায়োক্তা চথুরিবা মীয়ামগী ইহৌ অদুগী মরু ওইবা হৌরকফমদি কুমজা ২০০৩গী মতুংদা ইরাক্তা লাকখিবা লৈঙাক্কী পৱার পায়মিন্নবগী সিষ্টেমদা কাঙলুপ নাইবগী থৌওং লৈখিবা অসিনি হায়রি।

# মেনলেন্দ চাইনাদা থবক তৌরগা লৈহনবদা মতেং পাংনবা হোং কোংগী লাম বৈজিংদা চৎকদৌরি

হোং কোং, নবেম্বর ০৩ (এজেন্সি) :
এন্টি-চাইনা প্রোটেষ্টকী অকনবা ইরাং মায়োক্লরিবা চাইনিজ লৈঙাক্লা কন্ট্রোল তৌবা হোং কোং সিটিগী মীয়াম্না মেনলেন্দদা থবক তৌরগা লৈবদা খুদোংচানবগী মতাংদা খন্ন-নৈনবগীদমক্তা সিটি অসিগী লিদর কেরি লাম চয়োল অসিদা চাইনাদা পাইশিল্লগনি হায়না মহাক্কী ওফিসনা নোংমাইজিং নুমিত্তা ফোঙদোকখ্রে।
হান্নগী বৃটিশ কোলোনি অদুদা গভর্নমেন্টকী মায়োক্তা ইরাং হৌরিবা প্রো-দিমোক্রেসি প্রোটেষ্টরশিংনা চৈ থাংদুনা লৈরিবা লাম লৈবাকপোকপা নুমিত্তা বৈজিংদা থুংবগা লোয়ননা মথংগী নুমিত্তা সাউদর্ন চাইনাগী গ্রেটর বে এরিয়া চাওখৎহন্নবগী থবক তৌরিবা মরু ওইবা গ্রুপকা মীফম চথুগনি।
গ্রুপ অসিনা মমাংদসু মীফম অনীরক পাঙথোক্তুনা হোং কোংগী মীয়ামগী থবক থৌরম কয়া চাওখৎহনবদা খুদোংচানবা অমদি গ্রেটর বে এরিয়াগী মেনলেন্দ সিটিশিংদা লৈবা য়ানবগী খোঙথাং কয়া তান্নখিবনি। গ্রুপ অসিনা হোং কোংগী ওথোরিটিশিংদা সিটি অসিগী মীশিংবু মেনলেন্দদা চৎথোক চৎশিন তৌবদা নুংঙাইনবগী ৱাফম কয়া খন্নদুনা লাকখি হায়না লামগী ওফিসনা ফোঙদোকখি।



থৌরাং অসিগী পান্দমদি মতিক চানা টেলেন্ট লৈরবা মীওইশিংবু টেক্স কোমথোকপগা লোয়ননা মেনলেন্দদা লাক্লিংবগী ৱাখল চেনহনবগা লোয়ননা হোং কোং অমসুং মকাওগী নহা ওইরিবা মীওইশিংদা ইনোভেসন অমসুং ওন্ত্রপ্রনরসিপকী ৱাখল্লোন চেনহনবনি।
লামনা গ্রেটর বে এরিয়াগী খুথাংদা হোং কোংগী মীয়ামদা থবক ফংহন্নবা অমদি সোসল টেন্সন হন্থহন্নবগী ৱাখল্লোন অমদা খোঙথাং কয়া লৌখৎনবা হোৎনখিবনি।
হোং কোংদা খুদিংমক লৈখায় তানরবা মতুংদা হৌজিক্তি লৈবাক্লা (চাইনা) পুক্লিং থৌগৎনিংঙাই ওইরবা থৌরাং কয়াগা লোয়ননা মতেং পাংলক্লগনি হায়না লামনা ফোঙদোকখি।

# ইরানগী খামেনৈনা য়ু এসকা ৱারী শানবদা মখা তানা অথিংবা থমখ্রে



দুবাই, নবেম্বর ০৩ (এজেন্সি) :
ইরান্না য়ুনাইটেদ ষ্টেটসকা ৱারী শানবদা মখা তানা অথিংবা থমখিগনি হায়না লৈবাক অসিগী সুপ্রিম লিদর অয়াতোলাহ অলি খামেনৈনা নোংমাইজিং নুমিত্তা ফোঙদোকখ্রে।
টেহরানদা লৈবা য়ু এস এম্বেসি পায়শিনখিবা থৌদোক্কী ৪০ শুবা কুমওন নুমিৎকী নোংমা মাঙওইননা মীয়ামদা ৱা ঙাঙবদা খামেনৈনা লৈবাক অনী অসি থেম্নবা য়াররোইদবা অমগা অমগা য়েংথিনবা লৈবাকশিংনি হায়না ফোঙদোকপগা লোয়ননা মহাক্লা য়ু এসকা ৱারী শান্নবদা মখা তানা অথিংবা থমখিগনি হায়বা ৱাফম অসি লাউথোকখিবনি।
অমেরিকানা পোলিটিকেল ইথিল পীনবা হোৎনরকপা থিংনবগী পান্থৈ অমদি মখোয়গা ৱারী শান্নবদা অথিংবা থম্বা অসিনি। অসুম তৌরবদি অমেরিকাগী প্রেসরদা ইরান্না চৎপগী ফিভম অমত্তা লৈররোই।
য়েক্লবগা নিগোসিএসন চথবনা ঐখোগী প্রোব্লেমশিং সোলভ তৌবা ঙমগনি হায়না থাজরিবশিংদু চাদা চামা লাল্লবনি হায়না ইরানগী টোপ ওথোরিটি ওইরিবা খামেনৈগী ৱারোল পল্লদুনা ষ্টেট টি ভিনা ফোঙদোকখি।
ইরানদা থল্লিবা অথিংবা কয়া লৌথোকপগী ফিভমদা টেহরান্না লৈবাক অসিগী ন্যুক্লিয়র প্রোগ্রাম কন্ট্রোল তৌবগী ফিভম য়াহনখিবা কুমজা ২০১৫ দা ইরান অমসুং মালেমগী পৱারশিংগী মরক্তা য়ানখিবা ন্যুক্লিয়র পেক্ট অমা য়ু এস প্রসিদেন্ট দোনাল্ড ট্রম্পনা থাদোকখিবা মতুং হৌখিবা চহী অসিদা য়েংথিনরিবা লৈবাক অনীগী মরী কা হেন্না ফিভম শোকচিল্লকখিবনি। ৱাশিংটন্না ন্যুক্লিয়র পেক্ট অদু থাদোকপগা লোয়ননা ইরানবু হেন্না চাওবা দিল অমা পুরক্লবা নমদুনা ৱারী শান্নবা য়াহন্নবগীদমক্তা ইরানগী থাউ থাদোকপগী থবক খুদিংমক থিংজিন্নবগী পান্দমদা ইনৌ নৌনা অথিংবা কয়ামুক থমখিবনি।

# এল সেলভাদোরনা ভেনিজ্যুএলাগী দিপ্লোমেটশিং তান্থোকখ্রে

সান সেলভাদোর, নবেম্বর ০৩ :
এল সেলভাদোরনা সাউথ অমেরিকাগী লৈবাক ভেনিজ্যুএলাগী ইন্টরিয়র প্রসিদেন্ট ওইরিবা ওপোজিসন লিদর জুৱান গুইৱাইদোবু শকখঙখিবগা লোয়ননা গভর্নমেন্টনা ভেনিজ্যুলান দিপ্লোমেটশিং এল সেলভাদোর থাদোক্তুনা চৎখিনবা ওর্দর তৌখ্রে।
প্রসিদেন্ট নায়িব বুকেলেনা থাংজ নুমিত্তা ফোঙখিবা ৱারোল অমনা হায়খি মদুদি, মহাক্কী গভর্নমেন্টনা ভেনিজ্যুলাগী দিপ্লোমেটিক কোর অপুম্বদা পুং ৪৮ গী মনুংদা এল সেলভাদোর থাদোক্তুনা চৎখিনবা খঙহনখ্রে।
ত্বিটর একাউন্টদা থাগৎখিবা প্রসিদেন্ট বুকেলেগী ষ্টেটমেন্ট অদুনা হায়, বুকেলেগী গভর্নমেন্টনা ওপোজিসন লিদর জুৱান গুৱাইদোবু লোনা য়াবা ইন্টরিম প্রসিদেন্ট ওইনা শকখঙবগা লোয়ননা ভেনিজ্যুএলাগী কন্সটিট্যুসনগী চৎনপথাপকী মতুং ইন্না অয়েৎ-অপন অমত্তা য়াওদনা মীখল পাঙথোক্লবগী ৱাফম শৌগৎলি।
ইন্টরনেসনল কম্যুনিটিনা শৌগৎপা ভেনিজ্যুএলাগী মীয়ামগী অনিংবা অপাম্বশিং থুংহনগদবা অমদি অয়েৎ-অপন অমত্তা পীদবা মওংদা মীখল পাঙথোকপগী ৱাফম এল সেলভাদোরনা শৌগৎলি হায়না ষ্টেটমেন্ট অদুনা মখা তাখি।



ভেনিজ্যুএলাদা হৌখিবা জন্যুৱারিদা রাইভেল প্রসিদেন্সি পায়বা হৌরে হায়না লাউথোকচখিবা ওপোজিসন লিদর গুৱাইদোনা মতুং তারকপদা থারকপা দিপ্লোমেটিক টিম মহাক্লা ওক্কনি হায়না ফোঙদোকপগা লোয়ননা বুকেলিনা নিকোলাস মাদুরোবু কুমজা ২০১৮ গী মীখলদা অমুক হন্না মায় পাকখিবদু লোনা য়াদবা থৌওং অমনি হায়খি অমদি মহাকপু মফম লৌথোক্লবা মালেম পুম্বনা থবক তৌনবা আপিল তৌখি।

# পাকিস্তান্না ইন্দিয়াগী মেপ লোগী মীৎয়েংদা চৎনবা য়ারোই হায়খ্রে




ইস্লামাবাদ, নবেম্বর ০৩ (এজেন্সি) :
পাকিষ্টান ওক্যুপাইদ কাশ্মির (পি ও কে)গী মফম কয়া য়াওবা ইন্দিয়ানা ফোঙখিবা নৌনা শেম্বা য়ুনিয়ন টেরিটরি অনী- জম্মু এন্দ কাশ্মির অমসুং লদাক্কী পোলিটিকেল মেপশিং লাল্লি, লোগী মীৎয়েংদা চৎনবা য়ারোই অমসুং য়ু এন সিক্যুরিটি কাউন্সিলগী রিজোল্যুসনশিংগী মায়োক্তনি হায়রদুনা পাকিষ্টান্না মেপশিং অদুবু নোংমাইজিং নুমিত্তা রিজেক্ট তৌখ্রে।
হীরম অসিগা মরী লৈননা পাকিষ্টানগী ফোরেন ওফিসগী ষ্টেটমেন্ট অমনা হায়খি মদুদি, পাকিষ্টান্না য়ু এনগী মেপশিংগা চান্নদবা অসিগুম্বা পোলিটিকেল মেপশিং অসি রিজেক্ট তৌই। ইন্দিয়াগী মায়কৈদগী লৌখৎলকপা খোঙথাং অমত্তনা য়ু এন্না শকখঙবা জম্মু এন্দ কাশ্মিরগী ষ্টেটসদা অহোংবা অমত্তা পুরকপা য়ারোই হায়বা ৱাফম পাকিষ্টান্না অমুক হন্না ফোঙদোক্লি হায়না ষ্টেটমেন্ট অদুদা পনখি।
জম্মু এন্দ কাশ্মির অমসুং লদাক য়ুনিয়ন টেরিটরিশিং হৌনবী মতুং ইন্না লৈহনখিবা মতুং নুমিৎ নিনি কান্নরগা থাংজ নুমিত্তা ইন্দিয়ন গভর্নমেন্টনা পাকিষ্টান ওক্যুপাইদ কাশ্মিরদা লৈরিবা মুজাফরবাদ, মিরপুর অমসুং গিলগিট-বাল্টিষ্টান য়াওবা ওফিসল মেপশিং রিলিজ তৌখিবনি। য়ুনিয়ন হোম মিনিষ্ট্রিনা মেপশিং অদুগা লোয়ননা ইন্দিয়াগী মপুং ফারবা পোলিটিকেল মেপ অমসু ফোঙখিবনি।
গেজেট নোটিফিকেসন অমদা ইন্দিয়ন গভর্নমেন্টনা লে দিষ্ট্রিক্টতা লৈরিবা টেরটরিশিংগী লিষ্টতা হৌজিক লৈরিবা কার্গিলগী লমখক নত্তনা গিলগিট, গিলগিট ৱজারট, চিলাস, ট্রাইবেল টেরটরি, লেহ অমসুং লদাক য়াওহনখি। জম্মু এন্দ কাশ্মির য়ুনিয়ন টেরটরিগী মেপতা মুজফরবাদ, মিরপুর অমসুং পি ও কেগী মনুং চন্না লৈরিবা পুঞ্চকী লমগী শরুক য়াওনা পুন্না দিষ্ট্রিক্ট ২০ য়াওরি।
হৌখিবা ওগষ্ট ৫ দা জম্মু অমসুং কাশ্মিরদগী স্পেসল ষ্টেটস লৌথোকখিবা মতুং ওক্তোবর ৩১ দা হান্নগী ইন্দিয়ন ষ্টেট অসি মখা তানা ষ্টেট ওইহনখিদবগা লোয়ননা ওফিসল ওইনা য়ুনিয়ন টেরটরি অনী থোক্লা খায়দোকখিবনি।

# ইন্দিয়া, য়ুজবেকিষ্টান্না এম ও য়ু কয়া খুৎয়েক পীনখ্রে

তাস্কেন্ট, নবেম্বর ০৩ (এজেন্সি) :
ইন্দিয়াগী দিফেন্স মিনিষ্টর রাজনাথ সিংহগী নুমিৎ হুম্নিগী তাস্কেন্ট খোঙচেৎ মনুংদা মিলিটরি, মেদিসিন অমসুং মিলিটরি এদ্যুকেসনগা মরী লৈননা এম ও য়ু অহুম খুৎয়েক পীনখ্রে হায়না নোংমাইজিং নুমিত্তা তাস্কেন্টদা ওফিসলশিংনা ফোঙদোকখ্রে।
মমাংদা রিপোর্ট খরনা লৈবাক অনীগী মরক্তা এম ও য়ু কয়া খুৎয়েক পীনরগনি হায়না ফোঙদোকখিবনি। দিফেন্স মিনিষ্টর সিংহনা য়ুজবেকিষ্টানগী মহাক্কী লেংমান্নবা মেজর জেনরেল বাখোদির নিজামোভিচ কুরবানোভকা বাইলেটরেল মীফম অমা পাঙথোল্লবা মতুংদা এম ও য়ুশিং অদু খুৎয়েক পীনখিবনি।
ইন্দিয়া অমসুং য়ুবেকিষ্টানগী আমর্দ ফোর্সশিংগী মরক্তা মিলিটরি অমদি মেদিসিনগী লমদা কোওপরেসন পীননবগী এম ও য়ু অমা লৈবাক অনীনা খুৎয়েক পীনরে। লৈবাক অনীগী হায়র মিলিটরি লার্নিংগী ইন্সটিট্যুটশিংগী মরক্তা ট্রেনিং অমসুং কেপাসিটি বিল্ডিংগী থবকশিং পায়খৎমিন্ননবা এম ও য়ু অনী অমসু খুৎয়েক পীনরে হায়না দিফেন্স মিনিষ্ট্রিগী সিনিয়র ওফিসল অমনা ফোঙদোকখি।
রাজনাথ সিংহনা য়ুজবেকিষ্টানদা চৎলিবা খোঙচৎ অদু হৌখিবা চহী ১৫ রোম অসিদা ইন্দিয়াগী দিফেন্স মিনিষ্টর অমনা সেন্ট্রেল এসিয়াগী লৈবাক অদুদা চৎপা অহানবা খোঙচৎনি। সিংহ অমসুং য়ুজবেকিষ্টানগী মহাক্কী লেংমান্নবগী মমাংদা ইন্দিয়াগী সেকন্দ্রাবাদতা লৈবা কোলেজ ওফ দিফেন্স মেনেজমেন্ট অমসুং য়ুজবেকিষ্টানগী তাস্কেন্টদা লৈবা আমর্দ ফোর্সেস একাদেমিগী মরক্তা ভিদিও লিঙ্ক অমগী খুথাংদা অহানবা এক্সচেঞ্জ অদু পাঙথোকখিবনি।



দিফেন্স মিনিষ্টর অনীনা নোংমাইজিং নুমিত্তা অহানবা ইন্দিয়া-য়ুজবেকিষ্টান জোইন্ট এক্সার্সাইজ দুসলিক ২০১৯ গী কর্টেন রেজর অমসু প্রিসাইদ তৌখি। কাউন্টর-টেররিজমদা মীৎয়েং থমগদৌরিবা এক্সর্সাইজ অদু নবেম্বর ৪ দগী ১৩ ফাওবা লৈবাক অনীগী আর্মিশিংগী মরক্তা তাস্কেন্টগী মনাক্তা লৈবা চির্চিক ট্রেনিং এরিয়াদা পাঙথোক্লগনি। বাইলেটরেল মীফম অদুদা দিফেন্স মিনিষ্টর অনীমক্লা দিফেন্সকী লমদা লৈবাক অনীগী মরক্তা ইনগেজমেন্টকী থাক হেনগৎলকপগী ফিভমদা অপেনবা ফোঙদোক্লেখি হায়না ওফিসলশিংনা হায়খি।